# ফগৎলকপা অমসুং হঞ্জিনবা

মীওই অয়াম্বনা ফগৎলকপা হায়বসি ইচম চম্না দ্রগ শিজিন্নদবা খক্তনি হায়না খল্লি। মখোয়না হঞ্জিনববু মপুং ফানা মায়থিবা, অদুগা মতম শাংনা থাদোকপবুনা মপুং ফানা মায় পাকপগী খুদম অমনি হায়না লৌই। নার্কোতিক্স এনোনিমশকি ফগৎলকপগী প্রোগ্রামদা চংশিল্লিবা ঐখোয়না থেংনরে মদুদি মীৎয়েং অসিদি মপুং ফাদে। মেম্বর অমনা ঐখোয়গী থবক থৌরম খরা য়াওরবগী মতুংদা, হঞ্জিনবা হায়বসিনা থুক লাওনা হকথেংনবা পোকহন্দুনা প্রোগ্রামশিবু হকচিন্না ইন্নবা হোৎনরকপা য়াই। খুদমশিগা মান্ননা মতম শাংনা থাদোরক্লবা মেম্বর খরদগী উরে মদুদি মখোয়গী থম্মোয় শেংদবা অমদি মশানা লৌনমজবনা মপুং ফানা ফগৎলকপগী নুংঙাইবা ফংহন্দে অমসুং সমাজদা চন্নদে। তৌইগুম্বসুং, এন: এ: কাংলুপশিংদা অতোপ্পশিংগা লোয়নদুনা মপুংফানা অমদি লেপ্তুনা থাদোক্তুনা লৈবনা ফগৎলকপগী খ্বাইদগী ফবা মফম ওইরি।

এদিক খুদিংমক মরুওইনা মখল অমখক্তা ওইরবসু, তোঙান-তোঙাম্বা মী ওইনা, নাবগী চাং অমদি ফগৎলকপগী খোংথাংদদি খ্বেন্নে। করিগুম্বা মতাংদা হঞ্জিম্বনা মপুঙফানা নিংতম্বা ফংনবগী লম্বেল য়াৎপা মতাং ওইরকপসু য়াই। অতোপ্পা মতাংদনা ফনা খাঙবা ৱাবা তাংকক লাক্লগসু থৌদোক্তু হৌখিদ্রিফাওবা খাঙদুনা থাদোক্লেগা লৈবদগী নিংতম্বদু ফংলকপসু য়াই। এদিক অমনা মীৎকুপ অমত্তা ওইরবসু শিজিন্ননিংবগী দরকার নৎত্রগা অপাম্বা অদু নাথৈবা ঙম্লবা লোয়ননা খঙহৌদনা শিজিন্ননিংলকপগী ৱাখল অমদি তৌদবা য়াদে হায়বগী থবক অদুবু খন্দোকপা ঙম্লবা, মহাক্কি ফগৎলকপদা মায়োন লেপ্পা য়াবা তাংকক অমা য়ৌরবনি। অশেংবা নিংতম্বা অমদি পুকচেল তিংবগী ৱাখল অসি মতাং অসিগুম্বদা ফিরেপ চানা লৈ। ইথন্তনা পুন্সি অসি শিঞ্জনবা হোৎনবনা শোইননবগী লম্বেলদা চিংশিনবা য়াই, অদুম ওইনমক ঐখোয়না খঙবগুম তৌরে মদুদি ঐখোয়দা লৈজরিবা খরসি ঐখোয়দগী হেনবা শক্তি অমদা মপান তাংবদগী অমদি অমনা অমবু মতেং পাংনবদগী ফংলকপনি। কয়ারক হন্না ঐখোয়গী ফগৎলকপদা মমাংগী অকিবসিংনা অয়েৎপা পীরক্কনি। পুন্সি অসি অমুক হন্না অর্থ য়াওদ্রবা, অহোংবা-লৈতবা অমসুং অতনবা পোক্লকপা য়াই। ঐখোয়গী অনৌবা ৱাখলশিং অদু হন্না-হন্না খনবদা অমদি অনৌবা থবক থৌরমশিং মায়োক্লবদা ৱাখল অমসুং হকচাংদা অৱাবা ফংবা য়াই, অদুমওইনমক ঐখোয়না খঙলে মদুদি করিগুম্বা ঐখোয়না মখোয়দু হন্না-হন্না পাংথোক্লবা হোৎনদ্রগদি ঐখোয়গী মমাংগী হৈনবিশিংদা শোয়দনা অমুক হঞ্জিল্লক্কনি। ঐখোয়না চিংনৈ মদুদি করিগুম্বা ঐখোয়দা লৈজরিবা খরশি শিজিন্নদ্রগদি, ঐখোয়গী লৈজরিবা অসি মাংখিগনি। মসিগুম্বা মতাং অসিদা তত্তনা ঐখোয়গী ফগৎলকপগী তাংকক ওই। মখোয় খুদিংমক্তুদগী ঐখোয়গী পুক্লিং অমদি হকচাং চোকথরকই, অদুমওইনমক হোংলকপগী অকনবা ঈথিলশিং নৎত্রগা চুম্না থাজরকপা অমা থম্মোই মনুংদা ফাওরকপনা ঐখোয়দা পাউখুম অমা পীদুনা নুংদগী হোৎননিংবা পোক্লকপদগী ঐখোয়গী পুন্সি হোংলকপা য়াই।

খোংথাং তরানিথোই হকথেংনরকপদগী ফগৎলকপা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমনি, থাদোকপদুখক্তা নত্তে। ঐখোয় ইশাসি ফগৎহনবদা হোৎনবা চংঙি, লোয়ননা খুমজিল্লবা পুক্লিং অমদা অনৌবা ৱাখল চংবা ওইথোক্তবনা, পুক্লিং হাংদোক্লবা লম্বেল অমদি থিবা তাবনি। হায়রিবা অসি ঐখোয় ইশানা ইশাগীদমক্তা তৌজগদবনিনা, ঐখোয়গী ইশাদা য়াওজরক্লবা য়েক্লবা অনিদি খঙদোকপা মথৌ তাই, থৌশাদবা অমসুং য়ৈথোকপা। ঐখোয়না হোংলকপগী মায়োক্তা পীবা অথিংবা অসি লু-তোংদা য়াওরক্লবগুম খল্লি, অচৌবা শাফু অমখক্তনা অহোংবা অমা নৎত্রগা অতোপ্পা থবক্কি পাম্বৈ অমা পীবা ঙম্মি। হঞ্জিনবা অসি ঐখোয়না মায়োক্লবা ঙম্লগদি, হোংদোক্লবগী অচৌবা মচাক অমা পীবা ঙম্বা য়াই। হঞ্জিনবা নৎত্রগা করিগুম্বদা ঐখোয়গী নক্লবা মীওই অমা শিবনা ঐখোয়বু মীৎকপ থোকহন্দুনা লিংজেল য়াওনা লন্নাইগী থবক পাংথোকপদা মথৌ তাবা মায়কৈদা চিংশিল্লি।

### লন্নাইগী ৱারিশিং ঃ

*ইং-শোক ১৯৫৩ দগী হৌনা নার্কোতিক্স এনোনিমশ অসি য়াম্না খুমাং চাওশিল্লক্লে। ঐখোয়না লুম্না অমদি কাওঙমদনা শোন্নরিবা ফেল্লোসিপশিবু হৌদোকপীরম্বা মীওইশিংনা এদিকশন অমদি ফগৎলকপগী মরমদা ঐখোয়বু মপান নাইদনা তম্বিরম্লে। মখাতাবা লমায়শিংদা, ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌগৎলকপগী মরমদা পীরি। অহানবা তাংককসি ইং-শোক ১৯৬৫ দা ঐখোয়গী খ্বাইদগী অরিবা মেম্বরশিংনা ইরম্বনি। এন:এ: মেম্বরশিংগী ফগৎলকপগী নৌরিবা ৱারিশিংদি ঐখোয়গী বেসিক তেক্স, নার্কোতিক্স এনোনিমশতগী ফংবিগনি।*

### ঐখোয় তশেংনা ফগৎলকই

অরিবা পাউরৌদা, "মীওই অমগা অতোপ্পা মীওই অমগা শক-চু ৱাখল মান্নদে" হায়জরগসু, এদিকশন্না ঐখোয় খুদিংমকপু মখল অমত্তগী মী ওইহল্লি। ঐখোয়গী লন্নাইগী ৱারিশিং মী-মীগী মতুং ইন্না খেন্নরম্বা য়াই, অদুবু পোলোইদদি, ঐখোয় খুদিংমক চপ মান্নরম্মি। মসিগী মান্নবা অনাবা নৎত্রগা লৈতাদবা অদুদি এদিকশন্নি। অশেংবা এদিকশনবু শাগৎলিবা মচাক অনিদুদি ঐখোয়না মুন্না খঙলে: উঙদুনা লৈবা ৱাখল অমদি তৌদবা য়াদ্রবা। উঙদুনা লৈবা ৱাখল —ঐখোয়না মতম অমদা খঙখিবা নুংঙাইবা অদু অমুক হন্না ফংননবা অকক্লবা দ্রগ, নৎত্রগা মহুৎ শিনবা অমগী ৱাখলদু হন্না-হন্না খল্লকপা।

তৌদবা য়াদ্রবা—খোংচৎ অসি ফিক্স অমা, গুলি অমা, নৎত্রগা পেগ অমগা লোয়ননা অমুকপু হৌখ্রবদি, ঐখোয় ইশাগী খাঙবা ঙম্বগী শক্তিনা লেপ্পা ঙমদে। ঐখোয়গী হকচাংসিদা দ্রগকি মমি তাখিবনা, ঐখোয় ইশাদগী হেনবা য়ৈখায়-থিনগায়বা শক্তি অমগী খুবামনুংদা লৈখ্রে।

লম্বেল অসিগী পনখৈদা, দ্রগ য়াওরবসু য়াওদ্রবসু মীওই অমগুম থবক পাংথোকপা ঙমদ্রে, ঐখোয় খুদিংমক তৌফম খংদবা অমা মায়োক্লরে। মখাতানা তৌনিংঙাই করি লৈরি ? লৈরিবা অতোপ্পা পাম্বৈদি মপুং ফানা লৈখা তাদ্রিবা ফাওবা চঙশিনবা— কৈশুমশঙ, লায়েংশঙ নৎত্রগা শিবা— নৎত্রগা হিংননবগী অনৌবা লম্বেলঅমা থিবা। হৌখ্রবা মতমশিংদা, অকোনবগী লম্বেল অসিদি এদিক খরখক্তনা ফংখি। ঙসি এদিক ওইরবশিংদি হেন্না লাইবক ফরবনি। ইতিহাসতা অহানবা ওইনা, এদিক কয়ামরুমগী পুন্সিদা অচম্বা লম্বেল অমনা থবক পাংহল্লে। মসি ঐখোয় খুদিংমক্কি মফমদা থোঙ হাংদুনা লৈ। মসি ধর্ম্মগী নত্তবা, ইচম চম্বা নুংগী ওইবা, নার্কোতিক্স এনোনিমশ কৌবা থৌরম পরেং অমনি।

চহি তরামঙামুক্কী মমাংদা ঐগী এদিকশন্না মরম ওইদুনা ঐহাকসি মপুংফানা শক্তি লৈত্রবা, কান্নরকত্রবা অমসুং চংজরকপগী তাংকক য়ৌরক্লবা মতমদুদা, এন:এ: লৈরমদে। ঐহাক এ:এ: থেংনখি, ফেল্লোশিপ্তুদা মখোয়গী সমস্যাশিংগী পাউখুম থৌরম পরেংদুদা ফংলবা এদিকশিং উন্নখি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না খঙখি মদুদি এ:এ: গী অলকোহোলিকশিংগা মান্ননা খন্দোকপা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মীওই কয়ামুক্তি শুমহৎলবা, লৈখা তারবা অমদি শিবগী লম্বেলদা লেপ্তুনা চংশিনখি। মখোয়গী মান্নবা অদুদি মপানগী খুদমদা ওইখি অমদি থম্মোইনুংগী নৎত্রগা ৱাখলগী চাংদদি ওইখিদে, অদুগুম্বা অতোপ্পবু খঙবীবা হায়বা অদুনা হিদাক ওইরকখি। ঐখোয়দা অমদি প্রোগ্রামদুদা থাজবা এ:এ: গী মেম্বর খরগা অতোপ্পা এদিক কয়ামরুমগা লোয়ননা ইং-শোক ১৯৫৩ গী জুলাইদা ঙসি নার্কোতিক্স এনোনিমশ হায়না খঙনরিবা অসি ঐখোয়না হৌদোকখি। ঐখোয়দা ফাওজৈ মদুদি, হৌজিক্তি, এদিক অমনা চহি কয়া ফগৎলক্লবা অতোপ্পাশিংগী খুদমদগী মহাক্লা খনদোকপা অমসুং শেংনা লৈবা ঙমগনি হায়বগী থাজবদু হেক হৌবদগী হৌনা ফংলগনি।

মদুদি মরুওইনা দরকার লৈরিবসি মসিনি হায়বসি হৌখিবা চহিশিংসিনা খুদম ওইনা উৎচরে। ঐখোয়না অতোপ্পবু খঙনবা হোৎনবগী ফোংদোকপা ঙমদ্রবা লোন, হায়বদি, শকখঙবা অমদি থাজবনা লমজিং ওইরগা মতম শাংনা ঐখোয়দগী মাংলুরবা মতমগী মগুন, দায়িত্ব অমসুং নুংগী মগুনশিংবু মশক খঙবা ঙমহল্লি।

ঐখোয়গী ফগৎলকপগী থৌরম পরেংদা, ঐখোয়গী মশিং অমসুং পাঙ্গল হেনগৎলক্লি। মমাংদা অমুক্তসু অসুক য়াম্না য়াম্বা শেংনা লৈবা এদিকশিংনা, অপনবা লৈত্রবা সমাজ অমদা মখোয় মশানা খঞ্জদুনা মখোয়গী ফগৎলকপবু মপুংফানা শেমগৎনিংবগী নিংতম্বগা লোয়ননা ঙাক-শেন্নবা, উন্ননিংবা মফমদা উন্নবা ফংখিদ্রি।

এদিকশিংনা ফাওবা হায় ঐখোয়না খনখিবা মওংদুদা ফাওবা অসুম্না পাংথোকপা ঙম্লোই। ঐখোয় ফোংনা মাংজৌননা লেপ্পা মীতিংশিংদা থাজৈ—অতৈ কাংলুপশিংনা হোৎনখিবগুম মখাতানা লোৎলরোয়। ঐখোয়না থাজৈ মসি সমাজদগী মতম শাংনা লাপথোক্কদবনি খনখিবশিংনা হোৎনখিবা পান্থৈশিংদগীদি তোঙাল্লি। ঐখোয়দা ফাওজৈ মদুদি নুংতিগী পুন্সিদা এদিক অদুনা মহাক্কী শমস্যা অদু অদুক্কী মতিক থুনা মায়োক্লবা ঙম্লিবমখৈ, মদুমুক য়াংনা মহাক অশেংবা, মমললৈবা মীশক ওইরকই। ঐখোয় মমৈদদি ইরোমদোম লেপচবা তাবনি অমদি পুন্সিগী অতাবি মওংদুদা মায়োক্লবা তাবনি, মরমসিনা মখোংদগী করিগী হৌরোইদৌরিবনো ?

মসিনা মরম ওইরগা, তৌবগীদি, কয়ানা হঞ্জিনখি, অদুগা কয়ামুক্লা মপুঙ ফানা মাঙখি। অদুম ওইনমক, কয়ামুক্তি লেংদনা লৈহৌখি, অমদি খরনা মখোয়গী নিংহন্নবা অদুগী মতুংদা হল্লকখি। পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা অচুম্বা অমদি, ঙসি ঐখোয়গী মেম্বর ওইরিবশিংগী মনুংদা, কয়া অমদি মপুঙ ফানা শাংনা থাদোকপা য়াওনরে অমসুং নৌনা লাকপশিংবু হেন্না ফজনা মতেঙ পাংবা ঙম্লে। ঐখোয়গী খোংথাংশিং অমদি চৎনরোলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মখোয়গী মতৌনা শাফু পীদুনা ঐখোয়গী প্রোগ্রামদা খুমাং চাওশিনবা অমসুং লিংজেল মান্নবা পুরক্লি। ঙসিদি "এদিক অমুক্তং ওইখ্রবা মতম চুপ্পগী এদিক" হায়নরম্বা অদু সমাজনা নৎত্রগা এদিক মশানসু য়াররোইদবা মতম অমা লাক্লে হায়বসি ঐখোয়না খঙলে। ঐখোয় তশেংনা ফগৎলকই।

Copyright © 1999 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোঙবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
Tel. (818) 773-9999
Fax (818) 700-0700
Website: www.na.org

World Service Office–EUROPE
48 Rue de l'Eté
B-1050 Brussels, Belgium
Tel. +32/2/646-6012
Fax +32/2/649-9239

World Service Office–CANADA
150 Britannia Rd. E. Unit 21
Mississauga, Ontario, L4Z 2A4, Canada
Tel. (905) 507-0100
Fax (905) 507-0101

মশি এন:এ: ফেলোশিপনা অয়াবা পীরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , and The NA Way
রেজিস্টার তৌরবা খুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 1-55776-396-8 Manipuri 2/04

WSO Catalog Item No. MP-3106

Narcotics Anonymous®

নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No. 6-MP

# ফগৎলকপা অমসুং হঞ্জিনবা

নৌনা শেমদোক্লবা, নার্কোতিক্স্স এনোনিমশকী অঙৌবা লাইরিক্তগী অমুক্ হন্না নমথোক্পা